# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি উখ্রুল জিলাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি।

২) রাজ্য সরকারগী লৈঙাক সাসনদা হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙরাং দিজিতেল পোর্তেল মরি লোঞ্চ তৌখ্রে।

অমসুং

৩) নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তমিলনাদু মীখলগী ভোৎ খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

মুখ্য মন্ত্রি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দ ঙসি উখ্রুল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুদা হেক থুংলবগা উখ্রুল মিনি সেক্রেতরিয়েটতা চত্তুনা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, উখ্রুল টাউনদা শেমগৎলিবা রিজিদ পেবমেন্টকী থবক য়েংশিনগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা শিরুই ভিলেজদা চত্ত্না শিরুই হেরিতেজ প্রোজেক্ট শঙ্গাগনি। লোয়ননা শিরুই ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা শেম শারিবশিং অদুসু য়েংশিনগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

সিএম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য সরকারগী লৈঙাক সাসনদা হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক ঙরাং দিজিতেল পোর্তেল মরি লোঞ্চ তৌখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী খেমচান্দনা সেন্ত্রেলাইজ আর.টি.আই ষ্টেট পোর্তেল, ই-সেবা মণিপুর, এক্সপ্লোর মণিপুর অমসুং এ.আই. ইনেবল স্কিম ফাইন্দর লোঞ্চ তৌখিবনি। পোর্তেলশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি। সেন্ত্রেলাইজ আর.টি.আই পোর্তেল অসিদা মীয়ামা আর.টি.আইগী দরখাষ্টশিং ওনলাইনদা থারকপা য়ারগনি। ই-সেবা মণিপুর অসিনা রাজ্য সরকারগী থবক থৌরমশিংদা মতমগা চুনবা মওংদা হেন্না খুমাং য়াংশিন্না পায়খৎপা ঙম্লগনি। পোর্তেল অসিদা রেভিন্যু অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ বিভাগশিংগী থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা দোমিসাইল, ইনকম, এস.সি, এস.টি অমসুং ও.বি.সি সার্তিফিকেটশিং লৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। এক্সপ্লোর মণিপুর পোর্তেল অসিদা মীয়ামা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা হেন্না অকুপ্পা ৱারোল খঙবা ঙম্লগনি। এ.আই.ইনেবল স্কিম ফাইন্দর অসিনা মীয়ামদা সরকারগী স্কিমশিংগা মরী লৈনবশিং খঙবদা তেংবাং ওইরগনি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপায়নচিংবা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি অয়ুক্কী পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা মোবাইল ইন্টরনেটকী অথিংবা থম্লকপদু নুমিৎ নিনিগা অমুক শাংদোকখ্রে।

পুলিস (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সেকুৎরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট থ্রি, ইঙালোক্তগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ফাখি।

অমরোমদা, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা কোংবা অমসুং অয়াংপল্লি লম্বীদা খোঙজং চংশিল্লম্বা মীওই ৬ অমসু পুলিসনা ফাগৎখি।

মীখল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক নুমিৎ ৬ নি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। ঙরাং বিরোধি লুচিংবা সুভেনদু আধিকারি, ষ্টেট বি.জে.পি প্রসিদেন্ট সামিক ভত্তাচারয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিং শৌগৎপা ওইনা মীয়ামগী রেল্লি কয়াদা শরুক য়াখি।

পুরুলিয়া জিলাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিং অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সুভেন্দু আধিকারিনা হায়- মীখল অসিদা বি.জে.পিনা মায় পাক্লবদি নোংচুপ বেঙ্গলদা পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্কনি। মহাকা সরকার পায়রিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসপু আইন্না য়াদবা থবক থৌরম কয়া চৎথৈ হায়না মরাল শিখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মসু নোর্থ বেঙ্গলদা ঙরাং পাঙথোকপা মীয়ামগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মকোক অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রি মমাতা বেনির্জিনা নোর্থ বেঙ্গলগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মীখলগী কেম্পেন পাঙথোকখি। দল অসিগী লুচিংবা অভিসেক বান্দোপধ্যায়না বানকুরা জিলাদা পাঙথোকপা রোড সোদা শরুক য়াখি।

তামিলনাদুদসু মীখলগা মরী লৈননা ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। এ.আই.এ.দি.এম.কেগী জেনেরেল সেক্রেতরি ইদাপদি পালানিসামিনা কোইম্বেতোরদা মখোয়গা চুংশিন্নরিবা দলগী মীরেপশিংগী ভোৎ খোমখি। মহাকা হায়- এ.আই.এ.দি.এম.কেগা বি.জে.পিগা চৎমিন্নরিঙৈ মতমদা ৱিমেন রিজার্ভেসন বিল চৎনবা হৌখি। দি.এম.কে য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিরোধি দলশিংনা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামগী পুকিং হোংহন্নবা হোৎনরি। মহাকা

হায়- আথি কাদাভু-অভিনাসি ইরিগেসন স্কিমগী অনিসুবা ফেজ চৎনবা হোরগনি।

দি.এম.কেগী মকোক অমসুং তামিলনাদুগী মুখ্য মন্ত্রি এম.কে. ষ্টালিননা কেন্দ্র সরকারবু রাজ্য অসিগী মীয়ামগী হক খোঙগাউনবগাদমক মরাল শিখি। মহাকা এ.আই.এ.দি.এম.কেগী জেনেরেল সেক্রেতরি ই. পালানিসামিবু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎতবগীদমক মরাল শিখি।

বিল ঃ দ কন্সটিট্যুসন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ থারতি ফার্ষ্ট এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ অমদি দ দিলিমিটেসন বিল ২০২৬ অমসুং দি য়ুনিয়ন টেরিটোরিস লোস (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ বিলগী মতাংদা লোক সভাদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা খন্ন-নৈনখি।

লো মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা ঙরাং লোক সভাদা পুথোকখিবা দ কন্সটিট্যুসন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ থারতি ফার্ষ্ট এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ বিল অসিনা লোক সভাগী সিট মশিং অসিদগী হান্না ৫৪৩ লৈরম্বদগী তঙ্খায় অমা হেনগৎতুনা সিট মশিং ৮৫০ শুহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদুগী মনুংদা সিট ২৭২ দি নুপীশিংগী সিট ওইগনি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মীকোক থীবগী চপ চাবা মশিং ইং ২০২৭ কী মমাংদা নত্রগা ইং ২০২৮ গী হৌরকপা শরুক্তা ফংগনি হায়বা থাজদে। মরম অদুনা তেরিতোরিয়েল কন্সটিট্যুন্সিশিং শেমদোকপা অমদি সেদ্যুল কাষ্ট নত্রগা সেদ্যুল ত্রাইবশিংগী সিট পীবগী থবক ইং ২০১১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর ডাঃ খৃষ্টান ষ্টোকরগা ঙরাং নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা য়ান্না ৱারোল কয়াগী মতাংদা খন্নখি। মদুগী মনুংদা ফুড সেফতি, মিলিটরিগী লমদা তেংবাং পীনবা, কাউন্তর তেরোরিজমগী মতাংদা পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়াওরি।

পাউগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অমসুং ওষ্ট্রিয়ানা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইনোভেসন অমসুং সষ্টেনেবিলিতিগী লমদা তেংবাং পীনদুনা

লাক্লি। শ্রী ষ্টোকরনা য়ুরোপ লৈবাকশিং নত্তবা মফমদা ভারত্তা অহানবা ওইনা লাকপদা নুংঙাইবসু ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি মালেম অসিদা টেকোলোজিগী লমদা খুমাং চাওশিনবা লমদম অমা ওইরক্লি। মসি ওষ্ট্রিয়াগা পুনদুনা অমুক্কা হেন্না লম অসিদা মাংজিল থাবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ভারতকী তৌবা ঙম্বগী শক্তিশিংনা ওষ্ট্রিয়াবু ইনোভেসন অমসুং পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

তুংদা, ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর ডাঃ খৃষ্টান ষ্টোকরনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা উন্নখি। ডাঃ খৃষ্টান ষ্টোকরগী খোঙচৎ অসিবু তরামা ওক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভারত অমসুং ওষ্ট্রিয়া লৈবাক অনিগী মরক্তা মরুপ মপাং ওইবগী অচেৎপা মরী লৈ। মহাকা হায়- ইন্দিয়া-ওষ্ট্রিয়া ষ্টার্টঅপ ব্রিজ, ইং ২০২৪ দা হৌদোকখি অমসুং মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লি।

### ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ত্রোংলাউবী থোদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা, ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা মাইকৈ কয়াদা মীয়ামা খোঙজং চংশিন্দুনা ইহৌ হৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- মণিপুরগী ইরাংদা থিবা খঙখিদ্রবশিংগা মরী লৈনবা পি.আই.এল, এপ্রিল ২৯ দা মখা হিয়ারিং চত্থগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রোংলাউবগী জে.এ.সিগা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরক্ত্রে, কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেক দাউন হৌরে হায়রিবসি অপেনবা ওইদে, মীয়ামা থাজগদবা মওংদা তৌগদবনি হায়বা জে.এ.সিগী ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনাৈলবাক পাউচেদা পার্লিয়ামেন্টকী স্পেসিয়েল সেসনদা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা চিনগী লান থোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি উখ্রুলদা চত্তুনা জিলা অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিল্লগনি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর খেবুংদা ওইগদবনি, তেংনৌপলদা ওইবা য়ারোই নত্রগদি ইম্ফাল-মোরে লম্বী বন্দ চথরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেসন কমিতিনা থমখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা য়ুনিফাইদ সার্ভিস পোর্তেলগী মখাদা চীফ মিনিষ্টরনা দিজিতেল পোর্তেল মরি লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাশিংনা মখোয়গী মশাগী লম অমসুং  মীয়াম্বু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমগনি হায়না য়ু.এস.সিগী প্রসিদেন্ট এন.জি. লোরহোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ত্রোংলাউবী থৌদোক্বা মরী লৈননা এন.আই.এনা চেন্নবা মীওই ৫ ফাগৎলে হায়বা পাউচে অসিনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং জিলাদা হয়েং মৈ শেন্বগা মরী লৈননা অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না এম.এস.পি.সিনা থোকখিবা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি জিলাদা ভি.বি.জি রাজ জি স্কিমগী মখাদা পায়খৎপা জন সমভৎ প্রোগ্রামনা জিলা অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অহোংবা কয়া পুরক্লে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

-------